# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-03-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মীয়ামনা খৌরাংনা ঙায়নরক্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী অৱাং পোৎশংবমগী থেঙ্গু চিংজিনদা নৌনা শাবা ৱাটর এম্যুসমেন্ট পার্ক ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা শঙ্গারগনি।

মনিপুর সরকারগী টুরিজম বিভাগকী মখাদা পায়খৎপা এম্যুসমেন্ট পার্ক অসিগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাংসু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-পার্ক অসিনা লমদম অসিদা ইকো টুরিজম চাউখৎহনবতা নত্তনা মায়ামদা ঙাইহাক পোত্থগী খুদোংচাবা পীরগনি।

নম্বোল ফয়ার সব ষ্টেসনসু ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গারগনি। নম্বোল লাইতোনজম অৱাংদা পাঙথোক্লদবা থৌরম অদুদা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দিরেক্তর-লাইশ্রম নবাচন্দ্র শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসনা হায়রি-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম নীংথিনা লাকশিনদুনা পামদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোকখিবা লৈতে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অদুমওইনমক, চিংনবা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি। কাংপোকপী জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা করবাইন মেছিন গন অমা, আমেরিকানা শাবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, ৱান ইঞ্চ মেটার রেড রাউন্দ অমা অমসুং লোকেল মেট পম্পী অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

**স্বিপ (এল)ঃ** সিষ্টেমেটিক ভোটরস এদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ) কী নোংমগী ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা তামৈদা লৈবা অপৌ কাদিং হায়স্কুলদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিজনেল দিরেক্তর-ডা: ইঙম পামেনা, ভোটরশিংদা সংবিধাননা পীবা হকশিং নীংথিনা শিজিন্নদুনা ইশানা পাম্বা মীওইদা নীংতমা ভোট পীনবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-খুন্নাই অমবু হেন্না ফবা মায়কৈদা লমজিংগদৌরিবা লুচিংবশিং নিয়ম চুমা খনবগী হক মীয়ামগী খুৎতা লৈ। মীখলগা মরী লৈননা অরানবা তৌবশিংগী ৱাকৎ লায়না থাংগৎপা য়ানবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা সিটিজন্স বি ভিজিলেন্ট (সি-ভিজিল) হায়না খঙনবা মোবাইল এপ অমসু পুথোক্লে হায়না ডা: পামেনা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা স্পোট ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা অমসুং সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

**হেল্প লাইন (এল)ঃ** রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেট, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং আই.টি. কম্পানি ‘হাদ্রোন টেক’ না পুন্না খুৎশমদুনা মীয়ামগী হকশেলগীদমক-১০৪ হায়না মিংথোনবা মেদিকেল হেল্প লাইন নম্বর অমা ঙরাং হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হৌদোকখ্রে। মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা মনিপুর ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি পার্ককী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা: রঞ্জননা হেল্প লাইন অসিগা মরী লৈনবা ৱেব সাইট অমসু হাংদোকখি।

থৌরমদুদা মন্ত্রিনা হায়-নৌনা হাংদোক্লিবা হেল্প লাইন অসিনা অয়ুক নুংথিল-নুমিদাং খায়দনা হকশেলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা

কান্নরবা সার্ভিস পীবা ঙম্লগনি। সার্ভিস অসিগী খুদোংচাবা নীংথিনা লৌনবসু মন্ত্রিনা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

**মেলা (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা ঙরাং মহৌশাদগী লৈজরকপা ওর্গানিক্কী পোৎথোকশিং উৎপা মেলা অমা পাঙথোকখ্রে।

এন.ই.সিগী মখাদা গুদ ৱিল গ্রুপ ফোর রুরেল এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্টনা শিনবা মেলা অদু হৌদোকপগী থৌরমদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ওর্গানিক্কী পোৎথোকশিং শিজিন্নবগী কান্নবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মেলা অদুদা ওর্গানিক্কী পোৎথোকশিং উৎপা ষ্টোল ৫০ রোম হাংখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা লৈবাক অসিগী নাগরিক অমত্তগী স্বার্থ শোকহনগদবা লৈতে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং বি.জে.পি. সোসিএল মিদিয়া ভোলুন্টিয়ারশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়-এ.আই.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন খর্গেনা অপিকপা ফুরুপকী মীওইশিংদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা মখোয়গী নাগরিক অমা ওইবগী স্বার্থদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু অরানবা, মীনম্বা ৱাফমনি। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি কংগ্রেস দলনদি মখোয়গী ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্সতা শোক্কনি হায়দুনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবনি হায়নসু শ্রী সাহনা মখা তাখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাত্তগী ঙরাং লুপা কোতি লিশিং ৮৫ রোম চংনা পায়খৎপা রেলৱে প্রোজেক্টশিং হৌদোকখ্রে।

অহমেদবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রেলৱে প্রোজেক্টশিং অদু হৌদোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম অদুদা অনৌবা বন্দে ভারত রেল গাড়ি ১০ সু লমথাখি। লমথাখিবা বন্দে ভারত রেল গাড়িশিং অদুগী মনুংদা অহমেদবাদ-

মুম্বাই সেন্ট্রেল, সিকন্দরবাদ-বিশাখাপতম, মৈসুর-ডাঃ এম.জি.আর সেন্ট্রেল চেন্নাই, পাটনা-লখনৌ, নিউ জলপাইগুরি-পাটনা, পুরি-ভিসাখাপতম, লখনৌ-দেহরাদুন, রাঞ্চি-বরানাসি, খজরাহো-দিল্লিনচিংবা য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিগী গুজরাত খোঙচৎ অসিদা নৌনা শেমগৎপা কোসরা আশ্রম শঙ্গাখি অমসুং গান্ধি আশ্রম মেমোরিয়েলগী মাষ্টর প্লান্টসু হৌদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরগী ইরাংগা মরী লৈনবা কেস সুপ্রিম কোর্টতা খন্নখ্রে, সুপ্রিম কোর্টনা মরি লৈনবা কেসশিংগী ষ্টেট রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপেসকী এদিসন অনিমক্তা-কংগ্রেস অমসুং বি.জে.পিগী মীরেপশিং চাউরাকপা খঙলবসু চপ চাবদি লাউথোক্ত্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, পোকফমদসু ফোংবা থেংনরি।

পোকফমদা-মীয়ামগী হকশেলগীদমক মেদিকেল হেল্প লাইন সার্ভিস হাংদোকখ্রে। কোল সেন্টর হাংদোকপনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরম্বা অদু খরমখৈদি হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না হেলথ মিনিষ্টর ডা: সাপম রঞ্জননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ভারত্তিয়া জনতা পার্টিনা ইয়োর ড্রিমস, ইয়োর মেনিফেষ্টো হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি হেলথ মিনিস্তর ডা: সাপম রঞ্জননা মেদিকেল হেল্প লাইন সার্ভিস-১০৪ শঙ্গাখিবগী পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-নাগালেন্দগী লাক্লগা মীতৈগী লাই হরাউবা য়েংজগে খন্না লৈরিঙৈদা লান হৌরকপদগী হনবা নংদদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা

১১ ফাজিল্লক্লে হায়না পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মীমান্নদ্রবা মীওই অমা হাৎপগী কেসতা মীওই অহুম জেলদা থাজিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-নাগালেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মনিপুরগী শান্নরোই ৩১৯ শরুক য়ারগনি হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-মীতোপ চংবদা আই.এল.পি. মথৌ তারিবা মনিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অৱাং পোৎশংবমদা রাজ্য অসিগী অহানবা ইম্যুসমেন্ট পার্ক ঙসি চীফ মিনিস্তর-নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গরগনি হায়বা পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা লম্বী ৫৬ শানবগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিবলপমেন্টনা শেনফম কয়া কায়থোকখ্রে হায়না মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রিবা ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোংদা, তরুক শুবা অসাম রাইফলসনা কম্যুনিতি হোল অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিন এক্সপ্রেসতা-রেড সিল্ড দিভিজননা তাফৌ নাগাদা রেল ৱাটর হারভেষ্টিং শঙ্গাখিবগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।